

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*চহী অসিগী ওক্টোবর ২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা বি সি সি আইগী মীখলদা ইলেক্টোরেল ওফিসার ওইগদৌরিবা এল গোপালস্বামী*

*য়ুরো মিলিয়ন ১৮ দা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা শান্নগদৌরিবা মশাগী চহী ২১ দা ঙাইরিবা ৱেলস মচা দানিয়েল জেমস*

## ইন্দিয়ানা পোলেন্দবু ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা পুলগী মকোক ওইরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*ভুবনেশ্বর, জুন ০৭(এজেন্সি)ঃ*

উরিষানা য়ুম্বু ওইরগা ভুবনেশ্বরদা চথরিবা এফ আই ঐচ মেন্স সেরিজ ফাইনেলসকী ঙসি শান্নখিবা পুল 'এ' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা পোলেন্দবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা পুলগী মকোক ওইরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০২০ দা জপাননা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিকক্কী ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট অমসু ওইরিবনি। ঙরাং ইন্দিয়ানা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা রুশিয়াবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ১০–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।



ইন্দিয়া অমসুং পোলেন্দনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ অদু হেক হৌবদগী লম্বা মান্নরকখি। অহানবা ক্বার্টর লোইশিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

অনীশুবা ক্বার্টর শান্নরকপা মেটচকী ২১শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মনপ্রিত সিংহনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

ইন্দিয়াগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ইকান কান্নদনা মেটচকী ২৫শুবা মিনটতা পোলেন্দগী শান্নরোই মেটিয়ুজ হলবোজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নহনখি।

মেটচকী ২৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা থুনা য়াঙনা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা মনপ্রিত সিংহনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৩৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থাবা ঙল্লিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা হরমনপ্রিত সিংহনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩–১ দা মায় পাক্তুনা পুলগী মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

পুল অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রুশিয়ানা উজবেকিস্তানবু পাঞ্জল ১২–১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা রুশিয়াগী শান্নরোই মাটকোভস্কিনা পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি।

পুল 'বি' গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এসিয়ান চেম্পিয়ন জপাননা মেক্সিকোবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৩ ফংখি।

## নেসন্স লীগকী ফাইনেলদা নেদরলেন্দস অমদি পোর্টুগাল লম্বা তৌনরগনি

*গুইমারেজ, জুন ০৭(এজেন্সি)ঃ*

পোর্টুগালনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা নেসন্স লীগ ফাইনেলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা নেদরলেন্দসনা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলদা য়ুম্বু লৈবাক পোর্টুগালগা শান্নরগনি।



নেদরলেন্দস অমদি ইংলেন্দনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা লাকখি। অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা মেটচকী মিনট ৩০ হৌজিনখ্রবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

মেটচকী ৩২শুবা মিনটতা ইংলেন্দনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা মার্কস রাসফোর্দনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপদা পাঞ্জল শোখদুনা লৈরিবা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা ইক্বেলাইজর ওইনবা কন্না হোৎনরকখ্রবসু মায় পাকপা ঙমখিদবদগী ইংলেন্দনা নেদরলেন্দসপু ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা দিফেন্সিপ ওইবা মওংদা শান্নদুনা লৈখিবদগী নেদরলেন্দসনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লাকখি।

শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মাথিজ দি লাইটনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নরকখি। মেটচকী লেমহৌবা মিনট ১৭ রোমগী মতম অদু শান্নরকপদা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী এক্সত্রা টাইম শান্নরকখি।

এক্সত্রা টাইমগী মিনট ৭ চৎপদা ইংলেন্দগী শান্নরোই কাইল ৱাল্করনা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা নেদরলেন্দসনা ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ১১৪ শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা এন্টোন প্রোমসনা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমদুনা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু ৩–১ দা মায় পাক্তুনা নেন্সস লীগ ফাইনেলস অসিগী ফাইনেল য়ৌদুনা য়ুম্বু পোর্টুগালগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা য়ুম্বু লৈবাক পোর্টুগালনা স্বিটজরলেন্দবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা পোর্টুগালগী শান্নরোই কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা হেটট্রিক পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা অহানবা, অনীশুবা পাঞ্জলনা মেটচকী ৮৮ দা চনখি। অদুগা মহাক্কী অহুমশুবা পাঞ্জলনা মেটচকী ৯০শুবা মিনটতা চনখিবনি।

স্বিটজরলেন্দগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা টিম অসিনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা রিকার্দো রোদ্রিগ্বেজনা চনবা ঙমখিবনি।

## ইন্দিয়াগী টিম থাইলেন্দগা শান্নগদবা মেটচকীদমক শেম শারে ঃ ষ্টিমেক



*থাইলেন্দগা শান্নদ্রিঙৈ মাঙওইননা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংদা কোচ ইগোর ষ্টিমেকনা ত্রেনিং পীবা*

*বুরিরাম, জুন ০৭(এজেন্সি)ঃ*

কিংস কপকী হয়েং থাইলেন্দগা শান্নগদবা থার্দ প্লেস প্লে ওফকীদমক ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিম শেম শারে হায়না কোচ ইগোর ষ্টিমেকনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা অরোইবা মেটচ ওইনা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দগা শান্নগদবা মেটচ অসিদা শান্নরোইশিংনা মখোয়–মখোয়গী লৈজবা পূম্বা হোৎনদুনা মায় পাক্লবা হোৎনগদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। মেটচ অসিদা মায় পাক্তুনা টিম অসিবু পোজিটিভ ওইবা মওংদা পুননবা হোৎনগদবনি হায়নসু কোচ ষ্টিমেকনা মহাক্কী শান্নরোইশিংদা খঙহনখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী টিম টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা হেন্না ৱাংনা লৈরিবা কুরাকাওগী মখূত্তা ১–৩ দা মায়থিবা নংখিবনি। অদুবু মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদুবু ষ্টিমেকনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই চহী অসিগী জনুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান কপ্তা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীখিবনি। থাইলেন্দনা মমাঙদা মায়থিখিবা অসি লমন খুন্নবা হোৎনরকপদা টিম অসিনা মায়োক্লনবা শেম শারে হায়রি।

কুরাকাওগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী টিমদা অহানবা ওইনা শান্নরোই ৬ শরুক য়াহনখি। নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংনা শান্নহনবা হায়বসি য়াম্না কান্নগনি, মখোয়না টিম অসিগী অশেংবা পাঙ্গলনি হায়নসু ইন্দিয়ান নেসনেল ফুটবোল টিমগী কোচ ইগোর ষ্টিমেকনা মখা তাখি।

## 'মণিপুর বোক্সিং এসোসিয়েসন তরাইনা খনবা য়ারোই ভারতনা, মালেম্না ইকাই খুম্নরিবা কোচ অমসুং বোক্সর লৈরিবনি'

**এল. কালা উরিপোক**

মণিপুরদা লৈরিবা মশান্না–মশান্নশিংগী ওইবা ষ্টেট লেবেল এপেক্স এসোসিয়েসনশিং অসি মশা মশাগী ওইবা চৎন–পথাপ অমদি মখোয়বু কন্ট্রোল তৌরিবা লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা রেজিষ্ট্রার ওফ কো–ওপরেটিপ এন্দ সোসাইটিজ এক্তকী মতুংইন্না চৎন–পথাপ ঙাক্না চুম্না লৈরিব্রা লৈতব্রা হায়বসি মীচম মীয়াম্নদি খঙদে অদুবু করিগুম্বা এসোসিয়েসন মনুংগী ওইবা মেম্বরশিংগী মরক্তা মত চান্নদবা অপেন পেন্দ লৈনরক্লবকা দা হেক হেক লৈবাক মীয়াম খঙনবা ফোঙদোক্নরকপা মরক মরক্তা তাই থেংনৈ।মীচম মীয়ামদি শান্নবরোমদা ওইনা মায় ওনশিন দুনা হরাও নুংঙাইনা শান্নবা পেন্না য়েংজবা অমদি শান্নরোইশিংনা মনা মথুম পুরকপা অদুগুম্বগী পাও তাদুনা অদুমক লৈনবা ঙাক্তনি। অদুবু মীচম মীয়াম্না অসিমদি খঙই মদুদি এসোসিয়েসন অমা লিংবা হায়বসি মীওই খরনা পুনশিল্লগা য়াম্না খন্ন–নৈরবা য়াবা মফম অমা ওইরগা হিরম অমা নৎত্রগা মশান্নদুদা মশান্নদুগী অহেনবা পান্দম অমা থবক ওইনা পাঙথোক্নবগী লিংবনি মশাগী ওইবা চৎন–কাঙলোন অমা শেমদুনা। এসোসিয়েসনগী মরুওইবা থৌদাংশিংগী মনুংদা শান্নরোইশিং অসিবু মীয়াম মাঙদা পুথোক্তুনা মথং মথং অচৌবা কম্পিটিসন য়াওনবগী লম্বী ফাওবা লমজিং লমতাক্তুনা মমায় চুমদুনা পুবীবগী থৌদাং লৌবসিনি। ফনা ফবা শান্নরোই ওইসনু মহাক্না মীংচৎ পুরকপা ঙম্নবা লম্বী অমা চৎনবা থিরকপা হায়বসি ষ্টেট লেবেল নেসনেল লেবেলগী থাক্তদগী লাক্তবা য়ারোই। অসুম্না অচৌবা থৌদাং লৌরিবা এসোসিয়েসন অমনা মপাঙ্গল কন্না লেপ্তুনা লৈগদবগী মহুত্তা এসোসিয়েসন মনুংদা মনুংগী ওইবা থৌপুবশিংগী মরক্তা মত চান্নদবনা এসোসিয়েসন কাঙখোঙ চায়বগী ফিভমদা লৈরবদি শান্নরোইশিংদি করি ওইবা তাই। তাঞ্জাস্বাইদা শান্নরোইশিংনা হোৎনজবা পুম্বা অরেম্বদা তাখিবা য়াওদবা নৎতে হায়বসি থৌপুরিবশিংনা খনফম অমদি খঙফম থোকই। অফবা শান্নরোইশিং মতিং ফুদোকচনবগী তাঞ্জা ফংহৌদবনা মথং মথং কায়রক্তুনা অফবা শান্নরোই ওইগদবদা নিংবা কায়বনা মরম ওইরগা ফৎতবা লম্বীদা চৎখিবা কয়া অমসু য়াওরিবনি।

অনীথোকপী চৎনবীনা লেম্নবা লমদমসিদা তাখ্রে চয়েৎনবা এসোসিয়েসনগী পাও কয়া। মণিপুর হোক্কী এসোসিয়েসন চয়েৎনবগী পাও, সেপাক তাক্রৌ এসোসিয়েসনগী পাও, অম্ফা চয়েৎনবগী পাও, য়াম্না তাখ্রে, মশান্নশিংগী লৈরিবা এসোসিয়েসন কয়া চয়েৎনবগী পাও।

হন্দক্তা অমুক ইকুই কুইদ্রিঙৈদা উখি লমদমসিগী ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া, টি ভি চেনেল অমদা পাঙথোকপা প্রেস মিট অমসুং প্রিন্ট মেদিয়া পাওচেশিংদা ফোংনরকপা মণিপুর বোক্সিং এসোসিয়েসন মনুংগী ওইবা মরু ওইবা ফম প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরী জেনরেলগী ফম পায়রিবশিংগী থৌ পুগদবা মতম হেন্দোক্লে, মতম হেন্দাকপনা মরম ওইরগা লৈঙাক্কী রেজিষ্ট্রার ওফিসনা শকখঙদ্রে, শকখঙলক্তবনা মরম ওইরগা লৈঙাক্তগী ফংগদবা মতেং ফংদ্রে, ফংদবনা মরম ওইরগা নেসনেল লেবেল চেম্পিয়ন্সিপ য়াওবা চৎপদা শান্নরোইশিং অৱাবা কয়া মায়োক্নরে হায়বগী মতাংদা ফোঙদোক্নরকপা। ফোঙদোক্নরক্লিবা অসি মীয়াম খঙনা ফোংনা ফোঙদোক্নবগী পাঙ্গল লৈরক্তুনা ফোঙদোরক্লিবনিনা অচুম্বা খরদি শোয়দনা য়াওরমগনি।

করিগুম্বা ঙাংনরক্লিবা ফোঙদোক্নরক্লিবা অসিনা অচুম্বা ওইবা তারবদি কনা কনানো চৎন–পথাপকী ৱাংমদা তৌফম থোকপা তৌদনা ফম কোন্দুনা লৈরিবশিংসি, ইকাই খঙদবা মচৎনি হায়রোইদবা লৈব্রা? করিগুম্বা অমুক হান্না থৌ পুনিংবা অমুক হন্না ফম পায়বদা অদুমক য়াই। শান্নবগীদমক লৈরিবা এসোসিয়েসন্দা অসুম্না তৌনবা হায়বসি শান্নবগী ৱাহন্থোক্তা কৎথোকপা হায়বা অমা য়াওরিবসি য়াওদবগী ৱাখল্লোন্নি। অদুগা মতমগী মতুং ইন্না হ্যুমেন দিভলপমেন্টকী চাং ৱাংখৎলকপনা মরম ওইরগা পূম্নমক্না মতাংস্বাইদা খঙমিন্নবা য়াবা অমনা এসোসিয়েসনগী থৌপুবা খনবগী মতাংসিদি হৌজিক মতমসিদদি নহা ওইবা য়াম্না ইন্নরজেটিক ওইবা মতমগা চান্ননা খঙবা উবা ঙম্বা মীওইনা ওইরগদবা মতমনি, মতম অসি মীওইবা মরক্তা জেনেরেশন গেপ লৈরক্লবা মতমনি।

মণিপুর বোক্সিং এসোসিয়েসন তরাই তরাইনা ইকোম কোম্না খনবা য়ারোই, লানগনি। চাওখ্রবা ভারতকী মনুংদা খুজিল মমায় তঙ্খায় ফাদনা চাওবা মণিপুর, বোক্সিং মশান্নদা ভারত লৈঙাক্তা নৎতনা মালেম্না শকখঙলবা ইকাই খুন্নরবা বোক্সিং কোচ অমসুং বোক্সিং শান্নরোই কয়া লৈরবা লমদম মণিপুরনি। মসি খঙনা ঙসিগী এসোসিয়েসন মতিং লৈনা মপাঙ্গল কন্না লৈফম থোকই। ইকাই খঙদবা ইকাই খঙবা ওইসি, ভারতনা, মালেম্না শকখঙলিবা ইকাই খুম্নবীরিবা মতম অসিদা মালেমগী ওইনা পাঙথোকপা অচৌবা বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ভেন্যু ওইনবরোমদা কোক থাদদুনা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্নবা খনবনা চুমগনি। শান্নবগীদমক্তা ইরনাই ওইবা ৱাখল থাদোকপা কৎথোকপা খরা ঙম্বা তাই, ঙল্লোইদবা ওইরবদি এসোসিয়েসনগী থৌপুবা য়াওদবা তাই, মতম চানা জেনরেল বোদি মিটিং পাঙথোকপা তাই।

## পেরা আর্চর ৪ ওলিম্পিকক্স কোটা ফংখ্রে

*হরটোজেনবোস, জুন ০৭(এজেন্সি)ঃ*

নেদরলেন্দসনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড পেরা চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী পেরা আর্চর ৪ য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা মথং চহীদা জপানগী কোনুং টোকিওনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও পেরালিম্পিকক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী রিকর্ভ ওপনদা ইন্দিয়াগী আর্চর হারভিন্দর সিংহ অমদি ভিভেক ছিকারানা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা টোকিও পেরালিম্পিকক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কম্পাউন্দ মেন্স ওপন কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী রাকেস কুমার ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফ য়ৌদুনা ইন্দিয়াগী আর্চরশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা ক্বালিফাই ওইখি। মহাক্না হয়েং ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফতা য়ু এসকী মেট ষ্টটজ মেনগা লম্বা তৌনগনি।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবা জম্মু মচা রাকেস কুমার কুমজা ২০০৭ দা থোকখিবা কার ক্রাসতা স্পাইনেল শোকখিবনি।

## জপানগী ওকুহারা অমদি থাইলেন্দগী ইন্টানোন নুপীগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*সিদনি, জুন ০৭(এজেন্সি)ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিদা চথরিবা য়ু এস দোল্লর ১৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী কাঙলূপ্তা জপানগী নোজোমী ওকুহারা অমদি থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোন সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী নোজোমী ওকুহারানা সিঙ্গাপোরগী য়িও জে এমবু ২১–১৭, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেলদা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনগা লম্বা তৌনরগনি।

৪শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনন্না ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুনবু ২১–১৮, ২১–১১ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা চাইনাগী চেন য়ুফৈ অমদি থাইলেন্দগী এন জিন্দাপোল লম্বা তৌনরগনি।

২শুবা সিদেদ চাইনাগী চেন য়ুফৈনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৮শুবা সিদেদ কানাদাগী মিচেল লিবু ২১–১৯, ২১–১১ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা থাইলেন্দগী জিন্দাপোলনা অতোপ্পা থাইলেন্দগী শান্নরোই বি ওংবামরুংফানবু ২১–১৮, ২১–১৩ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অহানবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা মালেসিয়াগী সুংবু ২১–১৪, ২১–৮ দা মায়থিবা পীরল্লবা সেমি ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিগা লম্বা তৌনরগনি। খৃষ্টিনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী লিন দানবু ২১–৯, ২৪–২২ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ২শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি সিনিসুকা গিন্টিং অমদি চাইনিজ তাইপৈগী ৱাং ঝু ৱৈগা লম্বা তৌনরগনি।

ক্রোসৱার্দ ১৮৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | C | A | P | P | | C | I | D | | S | T | E | E | D |
| L | U | C | R | E | | A | D | E | | C | H | A | R | Y |
| A | S | T | E | R | | L | O | N | | A | E | R | I | E |
| T | H | E | S | U | N | A | L | S | O | R | I | S | E | S |
| H | Y | D | E | | A | B | S | | N | C | R | | | |
| | | | N | A | P | A | | G | E | E | | P | A | L |
| A | B | E | T | S | | S | P | I | T | | A | R | E | A |
| D | A | Y | L | I | G | H | T | R | O | B | B | E | R | Y |
| A | I | R | Y | | R | E | A | L | | R | E | P | O | S |
| M | O | E | | H | E | S | | F | R | A | Y | | | |
| | | | S | A | E | | O | R | O | | A | S | I | A |
| M | O | R | N | I | N | G | S | I | C | K | N | E | S | S |
| I | D | E | A | L | | A | L | E | | A | C | U | T | E |
| D | E | E | R | E | | G | I | N | | T | E | S | L | A |
| I | R | K | E | D | | E | N | D | | E | S | S | E | |

ISOR
INTERNATIONAL SCHOOL OF RESOURCES
(A Co-Educational Hr. Sec. School of Science under COHSEM)
CANCHIPUR

Admission Open
to Class XI Science (2019-20)

Facilities & Offers :

1. Free studentship, Book Grant, Hostel/Bus Fees with a Scholarship of ₹ 10,000/- per Month for Position Holders (1st -25th ) in HSLC Exam. 2019 (For XI & XII Classes).
2. Free Admission, Tuition, Hostel/Bus Fees, Book Grant, For Securing 80% and Above (For XI & XII Classes)
3. Free Admission and Monthly Tuition Fees for Students Securing 75% and Above (for XI Class only).
4. Only Half Admission and Half Tuition Fees for Students Securing 70% and Above (For Class XI only).
5. Only Half Admission fees for Students Securing 60% and Above (For Class XI only).
6. Free Coaching for the 1st 80 Students Admitted to Class XI in the Subject Phy, Chm, Bio & Mth.
7. Free School Bags for Every Admitted Students.

For more details, Please Contact Principal ISOR

SL/4634/ 22th May to 15 days

ISOR - Educating the Minds to start-up